
# ‘মহারাজ বোধচন্দ্রনা খ্বাইদগী পামজখিবা গেমসদি বোল্লিবোলনি’



মতম অমগী বোল্লিবোল শান্নরোয় কৃঁষ্ণচন্দ্র (কৃষ্ণ) শর্ম্মা




কুমজা ১৯৬১ দা কোলকটাদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা চৎখিবা বোল্লিবোল টিমগী মেনেজর কেঁকষ্ণচন্দ্র শর্ম্মা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ
মণিপুরদা স্পোর্টসকী ঈহৌ শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবিখিবা শান্ন-খোৎনবগা মতম চুপ্পদা লোইনদুনতা লৈখিবা, লোইরমদাই পুন্সিগী তাঙ্কক ফাওবদা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএশনগী ওফিসতা অমদি মপান কাংজৈবুংদা লৈজরগতা পেঞ্জখিবা পাবুং কোংব্রাইলাৎপম কৃষ্ণচন্দ্র (কৃষ্ণ) শর্ম্মা, মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৩ দা তাইবঙপান থাদোকখ্রে।

পাবুংনা হিংলিঙৈদা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএশনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগীসু মতম শাংনা প্রসিদেন্ট ওইবিরম্মী। লোয়ননা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগীসু ইগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা থৌ পুবিরম্মী। মণিপুর স্পোর্টসকী অচঙবা মীশক অমা ওইবিখিবা শান্নবগী থবক থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবা, মশামকসু বোল্লিবোল শান্নরোয় ওইবিরকখিবা পাবুংগা কয়ারক উনজদুনা ব়ারী-ব়াতায় কয়া শান্নজহৌই। কুমজা ২০১৩ গী ওগষ্ট থাদা অকাউ পরৈ চল্লুরবশিংগী কলমদা হাপচনবা শান্নজহৌবা ব়ারীশিং ঙসি পাবুংনা লৈখিদবগী ঈকাইখুম্নবা উৎচবা ওইনা নৌনা অমুক মীয়ামদা ফোঙদোকচরি।

মণিপুরী মচাশিংনা য়াম্না পামজনা শান্নরকখিবা মশান্নশিংগী মনুংদা বোল্লিবোল অসিসু অমনি। কুমজা ১৯৪০ মতমগী লোইশিল্লকপা অদুব়াইদগী বোল্লিবোল ফজনা শান্নবিরম্বা শক্লাইরবা পাবুং কোংব্রাইলাৎপম কৃষ্ণচন্দ্র (কৃষ্ণ) শর্ম্মা কুমজা ১৯৩১ গী জুলাই থাদা উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদা লৈবা কোংব্রাইলাৎপম ওংবী ঁপেমচা দেবীগী মচা তরেৎকী মনুংদা মরিশুবা মপারি ওইনা তাইবঙদা

## লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকাইখুম্নবা উৎচদুনা নৌনা ফোঙজবা (অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং)

### রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

খোঙদাবীরকখি। শান্ন খোৎনবনা মপূং ওইবা পুন্সি ওইদুনা লাক্লবা পাবুংনা মণিপুরগী স্পোর্টস অমদি মশামক্লা খঙবী, উবিরকপা শান্নবীরকপগী মতাংদা অসুম্না লীবিরকখি।

অহানবা ওইনা লমদমসিদা শান্নবা চাওখৎনবা হোৎনবীরম্বা অহল লমন, লাই-গুরু পূম্নমক অসি য়াম্না শেংনা ঈকাই খুম্নবা উৎচনীংই। ঐখোয়গী অহল লমনশিংদা লৈখিবা স্পোর্টসকী স্পিরিট অসিদি অঙকপনি। ঐগী ব়ারী অসি চুড়াচান্দ মহারাজদগী হৌজগে। মণিপুরদা শান্নবগী অচৌবা ঈহৌ অমা শাগৎপীরম্বসিদি চুড়াচান্দ মহারাজনি। শান্নবমত্তি উজহৌদ্রে, ব়ারীদি তাজরকখি। মণিপুরগী মফম কয়াদা লৈবা মশা মউ ফবা স্পোর্টস পামজবা মীওই কয়া অমা সনা কোনুংদা থাক্তুনা থল্লগা মহারাজ টিমদা শান্নহনবা মহারাজনা লুচিংদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা কোইপু পুদুনা শান্নহনবা অসিদসু নত্তনা আসামদা, কোলকটাদা পুদুনা শান্নহনখিবগী ব়ারীসি ঐখোয় তাজরকই। লাকচনীংলিবদি হৌজিক্তা স্পোর্টস সেন্টর একাদেমি লিংদুনা তৌরিবসি মণিপুরদদি নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী তৌরকখ্রে। মমাঙঙৈদগী হৌনা ফুটবোল, হোকি, এথলেটিক্স, ক্রিকেট, খোঙ কাংজৈ, শগোল কাংজৈগী শান্নরোয় শেমগৎতুনা লাকখ্রে।

ঐখোয়গী নিংথৌশিং চুড়াচান্দ মহারাজদগী হৌরগা মজাইবুংঙো বোধচন্দ্র মহারাজ শান্ন খোৎনবদা থব়ায় য়াওখিবা ঙাক্তনি। বোধচন্দ্র মহারাজনা খ্বাইদগী পামজখিবা গেমস অসিনা বোল্লিবোলনি। মহারাজ অসিনা বোল্লিবোল শান্নবা ঐহাক ইশামক উজহৌই। লৈবাক অমগী নিংথৌ য়াওনা শান্নবা য়োকখৎলম্বা অদুদসু নত্তনা মশামক শান্নরোয় ওইবীদুনা মীচম মীয়াম পূম্ন মক্তা গেমস মখল কয়া পামহনবীরম্বা অসিমক ইনিংথৌশিং অসিনা লমদমসিদা পীবিরম্বা মমল নাইদ্রবা খুদোলনি হায়জনীংই।

ইশামক্লা শান্নজরম্বগী মতাংদা লাকচরবদা কুমজা ১৯৪২ গী লানকাইবা মতমসিদা ঐহাকসি থাংমৈবন্দ এম ঈ স্কুলদা ক্লাস থ্রি তম্লি। জপান লানগী বোম তাবা মতমসিদা লমদেংদা লাঞ্জেল্লি। লান লোইবা নে-না তাবা পুন্সি অমদা লাকপসি কুমজা ১৯৪৬ তনি। লান মতুংদা ক্লাস ফোর অসিনা তেরা এম ঈ স্কুলদা তম্মী। লাননা চহী কয়া অমা মাঙহনখি। অদুনা লাইরিক তম্বসি চহীগা চান্নদনা চাউনা অদুম তম্লে। ক্লাস ফাইভতগী চুড়াচান্দ হায়স্কুলদা লাইরিক মখা তমথৈ, ক্লাস টেন ফাওবা তম্মী। কুমজা ১৯৫২ দা মেত্রিক থাবনি। পাস তৌরগা মদুগী মখা অসি দি এম কোলেজদা আই এ তম্মী।

-মথং-মথং

## দেল্লি দাইনামোস এফ সিনা ইন্দিয়ন সুপর লীগকীদমক বাদ্রা বাদজি, লালরুথারাগা খূৎয়েক পীনখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ
লাক্লিবা সিজন অসিগী ইন্দিয়ন সুপর লীগকী সাইদ অমা ওইরিবা দেল্লি দাইনামোস এফ সিনা সেনেগালিজ ষ্ট্রাইকর বাদ্রা বাদজি অমদি নহা ওইরিবা ইন্দিয়ন দিফেন্দর লালরুথারাবু মখোয়গী টিমদা য়াওননবগীদমক খূৎয়েক পীনখ্রে হায়না ক্লব অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

ক্লব অসিগী হেদ কোচ গ্যান লুকা জমব্রোদানা প্লেয়র অনী অসিনা টিমদা য়াওরকপদা হেন্না মশক থোক্লা টিম অসিনা শান্নবা ঙমগনি অমদি টিমগী মগুন হেন্না লৈহনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমখি।

হেদ কোচনা মখা তারদুনা হায়খি, ঐগী স্কাদতা প্লেয়র অনী অসিনা য়াওরকপদা থাঙ্গৈশেংনা নুংঙাইবা পোকই। ঐনা প্লেয়র অনী অসিবু টিমদা শান্নহন্নবগীদমক মাঙ্ডা মিৎয়েং থল্লি। বাদজি অসি দাইনামো জাগ্রেব টিমগী শরুক অমা ওইরমখিবনি অমদি মশকথোকপা ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা গোলশিং চনবা ঙমখ্রে।

মহাক্কী তৌবা ঙম্বা অসি ওপোনেন্টপু থিংবা ঙম্বা অসিনা ওইরি অমদি লুশিল্লক্লবা তাঞ্জাদা গোল চনবগী হৈনবীসু লৈবনা সিজন অসিদা ঐখোয়গী টিমবু চাউনা মতেং পাঙগনি। অদুগা লালরুথারা অসি নহা ওইরিবা অমদি হৈথোই শিংথোইবা, মখোঙ য়াংবা, মপাঙ্গল কনবা শান্নরোয় অমনি। মহাক্লা টিম অসিদা য়াওরকপদা অপেনবা পোকই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্লেয়র অনী অসিবু খূৎয়েক পীনখিবা অসিনা ন্যু দেল্লিদা বেজ তৌবা সাইদ অসিগী এটেক্কিংদা হেন্না মশক থোকহনগদবদা নত্তনা দিফেন্সিব লাইনদসু হেন্না চেৎশিন্না লৈবা ঙমহল্লগনি। মশাগী চহী ২২ শুরবা সেনেগালিজ অসিনা অয়াম্বা মতমদা ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা শান্নদুনা লাক্লি।

মহাক্লা নম্বর তেনগী রোলসু লৌবা ঙম্বা অদুগুম্বা প্লেয়র অমনি। মহাক অসি অরোইবা ওইনা দেল্লি দাইনামোস এফ সিনা লৌবা ফোরেন প্লেয়রসু ওইরি। মহাক অথুবা মতমদা ঘানাগী গোল্ডেন লাইওন সোক্কর একাদেমিদগী থুংলরগনি। মহাক্লা মেচ ২৯ শান্নখিবদা গোল তরুক চনবা ঙমখ্রে। মিজোরামগী প্লেয়র লালরুথারানা আইজোল এফ সিদগী লোন্দা দেল্লি দাইনামোসতা লাকখিবনি।

## জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ
এথলেটিক এসোসিএশন ওফ মণিপুর (এ এ এম) গী জেনরেল বোদি মীফম চহীসিগী ওক্তোবর ৯ গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা মপান কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএশনগী হোলদা পাঙথোক্লগনি।

মরম অদুনা এথলেটিক এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী মেম্বর পূম্নমক্লা মতম চানা লাক্লুবা এসোসিএশন অসিগী সেক্রেটরি ইতো তোংব্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

## ইম্ফাল ব়েষ্ট কেরোম চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ
ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ব়েষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম এসোসিএশন্না শিন্দুনা হৌখিবা তাং ১৫ দগী শান্নরোয় ৮৬ না শরুক য়াদুনা উরিপোক খাইদেম লৈকায়দা চথরিবা ৩ শুবা ইম্ফাল ব়েষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী সেনিয়র মেন’সকী ফাইনেল এম মাধোব অমসুং এল ঙান্থোইবা অনীনা শান্নরগনি।

ইম্ফাল ব়েষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা শান্নরোয় ৮৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেনিয়র মেন’সকী ইভেন্টতা এম মাধোবনা এ অমরজিৎ ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা এম মাধোব ফাইনেল চঙখ্রে। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা এল ঙান্থোইবনা সি ঐচ অরুন ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

সেনিয়র মেন’সকী ঙসি শান্নখিবা থার্দ প্লেসকী মেচতা সি ঐচ অরুননা এ অমরজিৎ মায়থীবা পীদুনা তাখ্রে। সেনিয়র ব়িমেন’সকী সেমী ফাইনেলদা ও মেমথোইনা ও জোসিলা ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

চথরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী জুনিয়র অমদি সেনিয়রগী ফাইনেল থা অসিগী ২২ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি।

## ন্যুজিলেন্দগী ও দি আই টিমদা কোরি এন্দরসন য়াওখ্রে

ব়েলিংটন, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ ইন্দিয়ানা য়ূম্লু ওইদুনা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ও দি আই মেচ মঙাগী সেরিজ শান্নগদৌরিবা ন্যুজিলেন্দগী স্কাদতা ওল রাউন্দর কোরি এন্দরসন য়াওবা ঙমখ্রে।

ন্যুজিলেন্দগী টিম অসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখিবনি। টিম অদুদা টেষ্ট সেরিজদা মশা শোকপনা মরম ওইদুনা শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবা পেসর টিম সাউথীসু মেম্বর ১৫ গী ও দি আই স্কাদতা য়াওবা ঙমখ্রে।

বেটসমেন অন্টোন দেভসিস, ওল রাউন্দর জিমি নিসাম অমদি ব়িকেট কিপর বি জে ব়াটলিসু ও দি আই স্কাদতা য়াওখ্রে।

এন্দরসন্না অরোইবা ওইনা ন্যুজিলেন্দগীদমক ইন্টরনেসনল গেম ওইনা ইনিদয়ানা য়ূম্লু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ব়র্ল্ড টি-২০ দা শান্নখি। মহাক্কী অশোকপা লৈখিবদগী ন্যুজিলেন্দনা জিম্বাবব়ে অমদি সাউথ অফ্রিকাদা চৎখিবা টুরদা মহাক য়াওবা ঙমখিদে।

ন্যুজিলেন্দ ক্রিকেটকী সেলেক্টর গার্বিন লার্সেননা হায়খি, এন্দরসনগী অশোকপা ফগাৎলবনা মহাক্ল মহাক্কী হৈশিংবশিং অদু লাক্লিবা ও দি আই অসিদা উৎথোকপা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## প্রেমকুমার ৰুশুগী জজ ওইনা খল্লক্লে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ চৎলিবা থা অসিগী ২৬ তগী ওক্টোবর ১ ফাওবা পটিয়ালাগী পঞ্জাবী য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি এন্দ থার্দ ফেদরেসন কপ ২০১৬ অমদি ওক্তোবর ৭ তগী ১২ ফাওবা ক্বেম্বটোরদা চথগদৌরিবা সব জুনিয়র নেসনল ৰুশু চেম্পিয়নশিপ্তা হেদ জজ ওইননবগীদমক মাইবম প্রেমকুমার (সাই এস এ জিগী ৰুশু কোচ) খল্লক্লে হায়না ৰুশু এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি সুহেল অহমদকী চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি প্রেমকুমার টাইব়ান্দা চথখিবা মাপনশুবা এসিয়ন ৰুশু চেম্পিয়নশিপ্তুসু ইন্টরনেসনল জজ ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –২১

1. য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী মীন্নেসোতা (Minnesota) ষ্টেটকী গভর্ণনর ওইরম্বা প্রোফেসনেল রেষ্টলর অদু কনানো?
2. তেহরিক-ই-ইনশাফ (Tehrik-e-Insaf) কৌবা পোলিটিকেল পার্টি অসি করম্বা শান্নরোয়না লিংখৎখিবগে?
3. চহী ২০ গী মখাগী মিটর ১১০ গী হর্দলসগী অথোই অহেন তান্নবদা হর্দলসগী অব়াংবা অদু সেন্টিমিটর কয়ানো?
4. করম্বা চহীদা মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগা পুনশিন্নখিবগে?
5. টেনিস শান্নবগী T-Shirt তা গুন্তির (Corcodile) অমা য়েক্লগা শান্নবা অদু কনানা হৌদোক্লম্বগে?

মথক্তা পীরিবা ব়াহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ২৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ব়াহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইম্ফাল ব়েষ্ট সুপর দিভিজন্দা থাউ থাংমৈবন্দনা ব়াই দব্লিয়ু সি মালোম মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ
ইম্ফাল ব়েষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা অব়াং সেকমাইদা লৈবা এস কে ব়াই সিগী গ্রাউন্দদা টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৭ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা থাউ থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা চথরিবা সুপর দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা থাউ থাংমৈবন্দনা ব়াই দব্লিয়ু সি মালোম গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা থাউ থাংমৈবন্দনা চাউনা মায় পাকচরবসু ব়াই দবিব্লয়ু সি মালোমগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবনা মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা টিমদুগী শান্নরোয় এ য়াইফবনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

ব়াই দব্লিয়ু সি মালোম্না গোল মাঙজিল থানা লৈখ্রবদা গোল শোথরিবা থাউ থাংমৈবন্দগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্ন বগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি। থাউ থাংমৈবন্দগী শান্নরোয়শিংগী হোৎনজমনগী মহয়না মেচ অদুগী ৩৮ শুবা মিনিটতা এস বিক্রমনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীমক্লা গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৪৬ অমদি ৭৩ শুবা মিনিটতা এম বোইনা গোল অনী চনখি। অদুগা কে ঐচ সিতলজিৎনা গোল অমা মেচকী ৬৬ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল মরি শুখি।

চথরিবা সুপর দিভিজন লীগ অসিগী হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এস কে ব়াই সি অব়াং সেকমাই অমসুং দি এম রাও অব়াং সেকমাইগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবা মতমদা চিকল লিলোং চজিং অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সি) গা শান্নরগনি। চথরিবা সুপর দিভিজন লীগ অসিগী হৌজিক ফাওবদা দি এম রাওনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা লীগকী টেবলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈদুনা চেম্পিয়নগী আশা নক্লা লৈরিবনি। করিগুম্বা হয়েংগী মেচ অসিদা দি এম রাও অব়াং সেকমাইনা মায় পাকপা তারবদি লীগ অসিগী চেম্পিয়ন শুংশোয় শোয়দনা ওইরগনি। করিগুম্বা দ্রো ফাওবা ওইরবসু চেম্পিয়ন ওইবগী লম্বী নক্লা লৈরি। লোয়ননা বি এম এস সি তাওবুংখোক পোইন্ট ১৫ পায়দুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

## ইন্টর কোলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টদা মোইরাং কোলেজ অমসুং এম য়ু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ
ককচীং খুনৌ কোলেজনা শিন্দুনা চথরিবা এ প্রটাপ সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ মেন’স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং মোইরাং কোলেজ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ২২ না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিসতা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা রিজনেল কোলেজ টাই ব্রেক্তা গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং রিজনেল কোলেজগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অনীমক্লা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমমম চন্নখি। তুংদা টাই ব্রেক্কী কিক্স ফোম পেনালটি মার্কতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা গোল অহুম চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৪ শুখি। টাই ব্রেক অদুদা রিজনেল কোলেজনা গোল অনী চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৩ শুখি।

মেচ অদুদা রিজনেল কোলেজগী গোল অদু রোবার্টসন্না মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা চনখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইক্বেলাইজর গোল অদু থোইথোইবনা মেচকী ৩৫ শুবা মিনিটতা চনখি। টাই ব্রেক্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী গোল অহুম অদু এস জুলমান, এন সঞ্জিৎ অমসুং অদিম পামৈনা চনখি। রিজনেল কোলেজগী গোল অনী অদুনা রোবার্টসন অমসুং এন নাওবনা চনখি।

মেচ অদুদা রিজনেল কোলেজগী শান্নরোয় টি ঐচ রোহিনি কুমার মেচকী ৬০ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা দবল কোসন বুক তৌদুনা মেচতগী তান্থোকখিবগা লোয়ননা টিমদুগী শান্নরোয় এল প্রেমকান্ত, এল নাওবা অমসুং এন নোবিন্দসু রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা মোইরাং কোলেজনা মোর্দন কোলেজ গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীরম্লগা মোইরাং কোলেজ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা মোইরাং কোলেজগী অহানবা গোল রবিনা মেচকী ২২ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল জেকসন্না মেচকী ৩৩ শুবা মিনিটতা চনখি। প্রেমচান্দনা টিমদুগী অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা গোল মেচকী ৪৮ অমদি ৫৬ শুবা মিনিটতা চনখি। ঙম্পুনা টিমদুগী মঙাশুবা গোল মেচকী ৬৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা মোর্দন কোলেজগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মাঙবোয়না চনখি। মেচ অদুদা মোইরাং কোলেজগী দোনাল অমদি মোর্দন কোলেজগী সাইখোহৌদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।

## মণিপুর সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌরে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ বেঙ্গলোরদা চথরিবা বি সি সি আই এসোসিএট অমসুং এফিলিএট অন্দর-১৯ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা মণিপুর বিহারগী মখূৎতা রন ২০৯ দা মায়থীহৌরে।

মেচ অদুদা মণিপুরনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং তৌনবা খনখি। অহানবা বেট্টিং তৌখিবা বিহারনা ওভর ৫০ মায়োক্লখিবদা ব়িকেট ৩ আউট ওইরগা রন ৩১৩ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা মণিপুরনা শুপ্পগী ওভর ৩৯.৪ মায়োক্লখিবদা রন ১১০ খক লৌরগা বিহারগী মখূৎতা রন ২০৯ দা মায়থীহৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল থা অসিগী ২১ দা বিহার অমসুং মেঘালয়া অনীনা শান্নরগনি।

## ইন্টর কোলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ প্রভাবতি কোলেজ ময়াং ইম্ফালনা য়ূম্লু ওইদুনা কোলেজ অসিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ মেন’স এন্দ ব়িমেন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭চথবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী টিম ৯ অমদি নুপীগী টিম মঙানা শরুক য়ারি। শরুক য়ারিবা নুপাগী টিম ৯ অদুদি থম্বাল মরিক কোলেজ, মোর্দন কোলেজ, দি এম কোলেজ ওফ আর্টস, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ময়ায় লম্বী কোলেজ, বিরমঙ্গল কোলেজ, ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মণিপুর কোলেজনি। শরুক য়ারিবা নুপীগী টিম মঙা অদুদি দি এম কোলেজ ওফ আর্টস, লিবরেল কোলেজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, মোর্দন কোলেজ অমসুং থম্বাল মরিক কোলেজনি। ইন্টর কোলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা মেচতা মণিপুর কোলেজনা ওরিয়েন্টে কোলেজ সেট ২-০ (২৫-১৫, ২৫-১৩) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা ময়ায় লম্বী কোলেজনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টস সেট ২-০ (২৫-২০, ২৫-২০) দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা মণিপুর য়ুভির্সিটিনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স সেট ২-০ (২৫-১৫, ২৫-১৭) দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচতা মোর্দন কোলেজ লাক্তবদগী বিরমঙ্গল কোলেজনা ব়র্ক ওভর ফংখ্রে। ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অহানবা মেচতা লিবরেল কোলেজনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সেট ২-০ (২৬-২৪, ২৫-১৮) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা থম্বাল মরিক কোলেজনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টস সেট ২-০ (২৫-১৮, ২৫-১৫) দা মায়থীবা পীখি।





HL-B/3310/09/09-08/10







HL-B/3284/29/8-28/09